# মঙলান কয়াগী মরক্তা হিংনরিবা মীওইবগী পুন্সিদা 'মঙ লল্লোনবগী মঙলান' শৈরেং লাইরিক অসিনা করিবু হায়নীংলিবা

আশা অমমমদা হিংনরি মীওইবনা। মঙলান কয়া মঙনরি। লেপ্তুনা চৎলিবা মতমগী খোঙচৎনা পুরক্লি অৱা-নুংঙাই। তাদুনতা লৈরবা ৱারী কয়া হন্না হন্না লীনরি। পাদুনতা লাক্লবা লাইরিক কয়া হন্না হন্না পানরি। মরমদি মীওইবা খুদিংমক অফবা মী অমমম ওইদুনা পুন্সি পন্দোম লোম্না নুংঙাইনা ঈংনা হিংনীংই। পূন্নমক অসি অফবতা ওইহন্নীংলবসু অয়েৎ অপন, অৱা-অনা, শিবা নাবা থেংনদবা লৈতে তাইবঙ পুন্সিনা। পোক্লবদি নোংমা শোয়দনা শিগনি খঙনা নীংশিংলুবা ঙমদে তাইবঙ ফম্বাক্তা হেক থোক্লুবা মিকুপ্তুগী। ৱারবা মতমদা, পান্থৈ লৈরক্লবা মতমদা পুন্সিসে অসুম্না তৌবা মাল্লে হায়না খল্লকপা নত্তনা অহোংবা থোইনা লৈবা উদে। লেপ্পাইদবা তাইবঙগী খোঙচৎকী খোঙথাং মরক্তা কবি, অইবশিংদি মীকূপ খুদিং ৱাহং হংলি, পাউখুম থিরি। ঈশৈ শক্লি অমসুং ইরি শক্লবা ককঙাওনরবা, লম্মাংনরবা পুন্সি কয়ানা লম্বী মাঙলবদা অমসুং চোকথরক্লবদা মঙাল পীনবা। থেমজিন্নবসু ইরি শৈরেং কয়া কায়রবা থম্মোয় কয়াবু। নাওশুম শৈশকসু শক্লি কবিশিংনা মহৌশাগী তম্পাক্তা ঈংনা য়াতানবা পুন্সি শিন্থা পাঙথোকপা লোইরকপদা তানবা হায়দুনা। অসিগুম্বা নুংশি পাউজেল কয়া চেল্লিবা, পুন্সিবু মনুং মপান ফাওনা য়েংদুনা তেংথাবা ঙল্লবা কবি দোনেশ্বর কোন্সমগী শৈরেং লাইরিকনি 'মঙ লল্লোনবগী মঙলান' শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ১০০ য়াওরি। অদুগা পূন্নমক পরেং ১০/১০ লৈ পরেংগুম্না নীংথিজনা লেংশিল্লবা শৈরেং ঙাক্তনি লাইরিক অসিদা য়াওরিবসি। ইরোল ইয়েক নৌহৌননা শীজিন্নরকপগী লংদাই মতমসিদা মৈতৈ ময়েক্তসু শৈরেং লোইনমক হাপ্পসিনা হৌরক্লিবা মীরোলদা খোরিরোলবু খোইদানা পাজরিবশিংদা হেন্না ইথিল অমদি পীবা ঙম্বা শৈরেং লাইরিক অমনি হায়নীংই। অইবা দোনেশ্বর কোন্সমগী মমিং তাদবা কনাসু লৈরল্লোই মণিপুরী খোরিরোলদা। মরমদি কবি অসিমক মশাগী শৈরেং লাইরিক ১০ অমসুং ঈশৈ শৈরেং লাইরিক ১০ পূন্না লাইরিক ২০ মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল তমখ্রবা অইবনি। অসিগীসু মথক্তা মহাক ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী শকখঙলবা ঈশৈ ময়েক ইবনি। মণিপুরী খোরিরোলগী কুম্বাবা অইবা দোনেশ্বর কোন্সমনা চোকথবা নাইদনা ইরি। লেপ্তুনা ইখিগনি খল্লি। মহাক্কী শৈরেং লাইরিক অসিগী শৈহৌ শৈরেংনি **য়াকায় ঈশৈ**। ইনভোকেসন ওইবা শৈরেং অমনা শৈরেংগী লাইরেম্বীবু হৌদোকপতা নত্তনা তূমদুনা লৈরুরবা পুন্সি কয়াবু নোংঙাল্লে হৌগৎলো থেংলে হায়না হৌদোকপগুম্না শক্লক্লি মিরবা খোঞ্জেলদা অদুগা পাউমেল্লি অনৌবা খোঙচৎ অমা চৎপা হৌদুনা তুংগী পুন্সিদা নুংঙাই য়াইফবা ওইরসি হায়না। মৈতৈ লাই হরাওবদা লৈরিবা রিচ্যুএল অদুগী শেংলবা মশক অমা পুশিল্লক্তুনা অসুম্না ফোঙদোক্লক্লিবসি ফজে। অফবতা ওইহন্নীংবগী অমসুং পোজিটিভি ওইবা মীৎয়েং উবা ফংই অদুনা হায়রক্লিবনি, *"য়াকায়রসি/য়াকায়রসিদাঙসিদি/হো য়াকায়রসিদা ঙসিদগী হৌনা।/য়াইফবা নোংলেন নোংজা অমগী,/কোরৌ নোংশিং য়াইফবা অমগী,/হো খোঙদোই হুল্লসিদা ঙসিদগী হৌনা।/য়াকায় মীনোক নোক্লসি,/য়াকায় ঈশৈ শক্লসি,/হো নুংঙাই-য়াইফবা তাল্লসিদা ঙসিদগী হৌনা।/হৌরসিদা অনৌবা খোঙচৎ অমা, হো হৌরসিদা* লাঃ১

মহৌশা হায়বসিমক চাওরবা পাউখোং কয়াগী পুক্কে অমনি হায়না লৌবা য়াই। মহৌশাগী শক্লোনদি অঙকপনা পিক থল্লি। মিকুপ খরগী হিংলিবা মীওইবগী পুন্সিদা অসিগুম্বা মহৌশাগী পাউখোংদি ফোংঙমদে। হৌখ্রবা মতম, হৌজিক অমসুং হয়েংবু মমল লৈনা খনবদা য়েংদবা য়াদে মহৌশা মহাক্কী খোঙচৎপু চেকশিন্না। অদুনা কবি দোনেশ্বরসু হংলক্লি মদোম তূমিন্না অচিকপদা ফমদুনা পুন্সিদা হঙ্গৎনা য়েংলদুনা **পাউখোং অমরা মসিবু**। কবিসু থিরি পাউখুম অমা অদুনা চঙশিল্লি খোঙথাং তপ্না থাংলদুনা মহৌশাগী মসাইকোলদা, পুন্সিগী তোরৈ তুথেকশিংদা। অদুগা শোল্লক্লি, *"মহৌশাবু নুংশিরিবদুনা/তুংলমচৎপু উগনি করিগুম্বদা,/শোয়দনা।/হয়েংবু লাইনীং ওইরিবদুতনা/খনগনি ঙসিবু থৱায়মকনি হায়না,/শোয়দনা।/মান্নবোইতা খনবসিদা মতম খুদিংদা/য়াওরি খন্থদুনা খঙজিনহৌগদবা করিনোমা,/শোয়দনা/খল্লক্লে, খঞ্জরক্লে পাউখোং অমরা মসিবু'* লাঃ৪।

মালেমসিদা হিংলিবা, লৈরিবা, পোক্লিবা, শিরিবা পূন্নমক মঙ অমমম মঙনরি। মঙফাওনদনা অদুমক অরোইবা লমায়সু খুমজিনবসু কোঙ্গাইনি। সাইন্টিষ্টশিংনা থিরি মীওইবগী হৌরকফম, তেংবানবগী অতিয়া মকোয়নুংদা শিবা হিংবা নাচুংদনা। লাইনীংবশিংনা অচিকপদা থিরি তাইবঙগী মপু, থৱায়গী হৌরকফম। নীংনরি, লাৎনরি লাইয়াম মশীং থিঙমদ্রবা মালেমসিগী মীয়াম্না মানা-মানা থাজবা লাইশিং। কবিশিংনা লাচল্লি পুন্সিবু মহৌশাবু। লাই য়েকপশিংনা য়েক্লি লোইনাইদ্রবা ফজবা শক্তমশিং। পূন্নমক অসি মঙগুম্না উরক্লি কবি দোনেশ্বরনা। অদুনা মহাকসু চৎলুরি কল্পনাগী তাইবঙ অমদা অদুনা মথম্মোয়দগী থোরক্লি ইফুৎ অমা হৌজিক্কী মতমদা হিংলিবা পুন্সি কয়াদা তাইবঙগী অশেংবা অমসুং মঙগুম্বা পুন্সি অদু মসিগুম্বা ওইরম্বা য়াই হায়বা মিৎয়েং থম্লদুনা। **লোইশিন্দ্রিবা লাই** *"মঙালগী লম্বীনি, খোঙদোইরিবনা অমম্বনি/মীনম্বনা শুম্বনি/থাজবনা মাঙহনবনি/তাইবঙনি।/তাইবঙগী ৱারীনি, হৌবনি লোইবনি/মঙগী মতৌনি, খঙদবনা চেনবনি; পুন্সিনি।/পুন্সিগী শকলোননি, লোইশিন্দ্রিবা লাইনি/অপাম্বগী তাইবঙনি/থাজদনা লোইবনি;/খোঙচৎনি।/হৌখিববু খঙবরা লোইখিববু ঙম্বরা থিংবা, মঙগুম্বনি'* লাঃ৭।

নীংশিংবনা নুংঙাইহল্লি। নীংশিংবনা অমুকসু কপহল্লি। নীংশিংবা হায়বসি পুন্সিসুনি। নীংশিংবা লৈরমদ্রবদি পুন্সিসু লৈরল্লোই। মীওইবসু লৈরমদবা য়াই। কবি নোদেশ্বরগী শৈরেং অসি য়াম্না তেল্লগসু ফোঙদোকনীংলিবা পূক্লিংগী ৱারোলদি শাফু কন্না মচং ওইবা ৱাহৈনা নীংথিজনা ফোঙদোকপা থেংংৈন। অসিগুম্বা শৈরেং অমনি **মঙলানগী নাচোম** *"থৱানমিচাক্তগী লৌরকপনি।/মঙালগী নাচোম্লেনি,/লৎনবীনু।/নীংশিংবগী শাংলবা লম্বীনি/নুংঙাইবগী মীৎকুপশিংনি, কাউবীগনু।/লোইনাইদবা খোঙচৎনি/তাইবঙগী ওইবনি,/নীংশিংবীয়ু/মসিদগী হেন্না নুংঙাইববু লৈবরা, লৈতে কাউবীগনু'* লাঃ১৬। পুন্সিগী অৱা-নুংঙাইগী সুর মরক্তা তেনতকপা ঈশৈ অমা ঙংবনি। পুন্সি হায়বসি অসিনিকো হায়না নৌহৌননা শৈথাজবনি।

লাইরিক্কী মমিং :-

**মঙ লল্লোনবগী মঙলান**

অইবা :- **দোনেশ্বর কোন্সম**

লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**

অফোঙবা :- **হ্যুমেন রিসোর্স দিভেলপমেন্ট সেন্টর, ময়াং ইম্ফাল**

লাইরিক্কী মখুম :-

**তোংব্রম অমরজিৎ সিংহ**

লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ৩০০/-**

লমায় মশীং :- **১০০**




অঙানবদা মমদুনা লৈরিবা খুন্নাই অমগী শক্তম অমা কবিনা **তূমিন লৈরিবা মোংফম** হায়বসিদা ফজরবা ইমেজরিনা য়েক্লক্লি। চেন্থরিবা খুন্নাইগী ঈচেল, হীংলিবা মীওইশিং পুন্সি মহিং কূপ্না য়েংদুনা লাক্লি কবিনা অদুনা অয়েকপা লাইগুম্না ভিজ্যুএল ইফেক অমগা লোয়ননা ৱাহৈনা মচু লোক্তুনা তম্নলাইগী মশক ওইরবা মতম অসিগী মীওইবনা লৌরক্লিবা শক্লোন অদু ময়েক লানা ফোঙদোক্লক্লি। *"অঙানবসিদা লৈরক খুল্লকসি মমশিল্লকপগুম তৌরক্লি,/মীশিংসিনা তম্নলাই ওল্লক্লি,/তেক্লবা থোঙ থোঙনাওশিংনা মনীংতম্বগী ঈশৈ শক্লি।/শক্লোন হোংদনা চেন্থরি তুরেলনা লেপ্তুনা লীরি।* অহোংবা অমত্তা উবা ফংদে। চেন্থরিবা ঈচেল অসুক্কী মতিক মোৎলি। হূ চেল্লি হায়বা পূন্নমক্না খঙনৈ। হায়দোকপা তমথোকপা ঙমদে অশেংবা ৱারীশিং। ফুমজিল্লি মরোল মরোল নাইনা অমম্বদা অদুনি কবিনা হায়রক্লিবা *"তূমিন লৈরিবা মোংফমগী ৱারী,/অকায়বা চফু মচেৎশিংনা তারি।/শংবান্নবা অতিয়া, শক্লোন কয়াগী লৈচিলনা তূমিন য়েংলি/চীংয়া তময়া লৌবুক লমহাং উমং ৱামংসু চীক্লি,/উচেক অমদি খোংল-খোংলদুনা পাইখি।/লেপত্রি ফিজি চিংল-চিংলদুনা খোঙশাল্লিবা মতমদি"* লাঃ ৩০। পেন্দবগী তেংথাবা। শেৎন-খায়নবগী তেংথা। অচুম্বা ৱায়েলনা মীরাইরবশিংগী মীকপখোল অহাঙবদা তিন্দুনা লৈরি। অদুনা অমুক্কসু কবিনা ইরক্লি **নীংতম্বগী অরোইবা ৱায়েল** *"হৌরিবসি লোইনবনি,/লোইরিবসি হৌনবনি/অসুম্না হায়রিবগুম তৌরি নঙনদি।/কপ্লিবসি নোক্নবনি,/নোক্লিবসি কপ্নবনি;/অসুম্না খঞ্জরকপগুম তৌরি ঙসিদি।/নঙগী নীংতম্বনা নঙগী ৱাখলনা অসুম্না হিংহল্লি ঙসিদি"* লাঃ ৫৭।

শৈরেং লাইরিক অসিদা শৈহৌ শৈরেং অমনা হৌদোক্লগা লাইরিক অসি লেংবগুম্না ১০০ শুবা শৈরেং অসিমক অমুক **মিকোন থাগোন ঈশৈ** হায়না লাইনীং লম্বীরোমদা নকশিন্না পুশিল্লক্লি। তশেংবসু শৈরেং অসিমক পুন্সি লাইনীংগী মশক অমনি হায়না লৌবা য়াই। অদুননি ঈংনা লাইশোল ঈশৈগুম্না কবিনা শক্লক্লিবা *"পোখারসি/পোখারসিদা,/হো পোখারসিদা ঙাইহাকসু।/ইশিন খঙনা শিন্থারিবা/য়াথং ঙাক্লা থৌপাঙলিবা,/হো পোখারসিদা নুংঙাইনা ঙাইহাকসু।/পোখা ঈশৈ শকসিদা,/হো পোখারসিদা নুংঙাইনা ঙাইহাকসু।/পোখা ঈশৈ শকসিদা,/হো খোঙদোই ইহুল তমজনবা অমুকসু।/তুংগী নুংঙাই-য়াইফবা পুন্সি অমগী খোঙদোইজনবনি অমুকসু* (লাঃ ১০০)।

শৈরেং লাইরিক অসিমক পাবদা ঈংথবা তপথবা অদুগা পূক্লিং ৱাখল থম্মোয়দা চিংজুম লাইজনা খিকপগুম্না ফাওহনবা ঙম্বা থোৎনা মেংলবা ৱাহৈ কয়া য়াওরি। কবি দোনেশ্বর শৈরেং ইবদা মায় পাক্লবা কবিনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। মহাক্কী শৈরেং খুদিংমক তৌশিন্নবা য়াওদবা ৱাহৈতনা লৈরাংগুম্না লেংবা শৈরেংনি হায়নীংই।

—*তোংব্রম অমরজিৎ*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **"কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **"য়াথং"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **"লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।"** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **"মৈ চঙলবা চেক"** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (২,৩,৫)

***২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)***

৩) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (২,৫)

৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৫)

৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৫গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৫গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫গী পাউখুম

১) **"তনৌ তনৌবী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - নিংসন লৈশিৱোন; লাইরিক্কী মখল- নোভেল; অহানবা ফোঙবা, ২০১৪।**

২) **"দ গাইদ: লমজিংবা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো ? **:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী অইবা - আর কে নারায়ণগী ইংরাজিদা ইবা The Guide হায়বা লাইরিক্তুদগী মণিপুরীদা আই আর বাবুনা হন্দোকপনি। অহানবা ফোঙবা, মার্চ ২০০৩।**

৩) **"শাবন য়ুম্ফম"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - লনচেনবা মীতৈ; অহানবা ফোঙবা, ২০০৮।**

৪) **"শোল্লবা কোকসিদা পুবদি ঙমজদা/পেনবা নাইদনা থকচিল্লুরে/নঙগী মায়থোঙগী কল্লবা য়ুগী নেশা।/অহিং চূপ্পা খাঙজে চৈনা, নীংজরুবগী/হন্দোক্তুনা/লাঞ্জখিদবা চীনসিদগী/নঙগী নমিং/লেপ্পা লৈতা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো? **:- কবিগী মমিং - রাজ কুমার ভুবনস্না; লাইরিক্কী মমিং - মৈ মমগেরা বুদ্ধি মমগেরা; শৈরেংগী মমিং - য়ুগী নেশা; অহুমশুবা খূৎনম, ফোঙবা মার্চ, ২০১২।**

৫) **"নূর বেগম"** হায়বসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:-অইবা- ইবোতোম্বী মঙাং; লাইরিক মখল - উপন্যাস; অহানবা ফোঙবা মে, ২০১০।**

# অয়ূক্কী হাইগৎলক্লিবা নুংশা মঙাল

দুরুবীদু মচা মঙা পোকই। চহী মরি মঙামুকসি দুরুবী ইমুংসিগী অচঙবা মেম্বর অমনি। মচা মঙা পোকপা মতুং নুমিৎ খরনিদু দুরুবী অমদি হুইনাও মচাশিংগী ৱারীনা ইমুংদু থল্লি। মরু ওইনা হুইনাও মচাশিংদু মিং থোনবগী মতাংনি। মসিগী মতাংদা ইমুংদুগী নুপীমচা অনী নুমিৎ নীনি কৌনদে। মানা মানা পামজবা মিংশিংদু তোঙান তোঙানবা হুইনাওশিংদা থোন্নীংবা ওইরদি ফগদবা। হুইনাও অতোনবা বুব বুব লাওবা খরা পঙদানবদু মমিং থোনবদনি ৱা য়াম্নখ্রিবসি। অমনা অমা থোন্নীংই; অমনা অমা কৌনীংই। অঙম তান্নবদা অনীমক্লা হুইনাও মচা করিসু খঙজদ্রিবা অপঙদুদা মানা মানা থোন্নীংলিবা মমিংশিংদু থোল্লিবনি। অমনা হেক কৌখিবদা অমসু হেক্তা তনকৌ কৌই। অপঙদুনদি করিসু নাচুংদে। মমাগী মখোম থক্লবা হোৎনদুনা লৈ।

অঙাংশিংগী মমাসু মচাশিংগী ঈরাংদু লাকশিন্নবা কন্না হোৎনজে। অদুদা মাগী অমসু ফজে অমসু ফজে হায়দুদি য়াদ্রে। অমা 'হোই' হায়রগা অমা 'মাই' হায় তাবা। হন্দক্কী মতাংসিদা ময়ায়চাবীদি য়াররোই। মপূক্লিংদবুদি খল্লি : 'হৌজিক্কী মতমগী মিংদাসিবু করিনো। অমতবু পামজদে। 'লৈফোল' কৌবনবু হেন্না চান্ননি মশক মতৌসি য়েংলগা। মহা তাকু মরিসিদগী খরা তোঙাল্লিবসি মাতনি।' মচিনবুদি কাঙদ্রে। ঈরাং মতাদুদা। মৈ চাকপদা নুংশিৎ শিৎপা ওইনা থোক্লুন্দনা। মাই নুপাদবুদি নুমিদাং তূল্লমদাইদা হায়ফেৎ পল্লুই মিং থোনবগী তাঙ্ককসি। চুম্নসুম তারম্বদগী লৈফোলদুম কৌনীংবগী মতাং য়ৌরকপদা অঙাংশিংগী মপানা 'নখোয় নুপীশিংসি মিং থোনবগী মতাংসিদা' হায়না হৌরগা মখা চখখিদ্রে। য়ারক্তা ঙংলগা তোকখ্রে। তৌবদি মমানা ৱাহৈ পরেংদু মপূং ফাদ্রিঙৈদা ৱা অমা হেক হায়জিল্লুবনি। মাই নুপানা ঙাঙলিদু তাবোই তাদবোই। অদুনা মমানা থৌদুনা হংবদি হংদ্রে। তাবদি য়াম্না তানীংই করিনো মানা হায়নীংলিদু। চুম্নসুম ৱারী শানবদা ৱাহৈ পরেং মপূং ফাদবা য়াম্না শীজিন্নৈ। মসিদা শীজিন্নবা লোনসি গ্রামারগী মীৎয়েংদা কায়বা চৈখৈ চিংদবা ময়াম অমা য়াওই। ৱাহৈ পরেং মপূং ফাদ্রবসু ৱাহন্থোক্তি মপূং ফাই। হায়নীংলিবদু খঙবা ঙমই। অমনা মীনা ঙাঙলিঙৈদা ঙাঙশিল্লুবা হায়বসি ঙাঙলিবদু তাদে হায়বা নৎত্রা? মমাদু তাদবদুদা মপাদুনা মানা হায়নীংবদু হৌগৎলুরগা লোইশিন্দনা তোকথোকখিবা। মমাদুনা তাদবনা মানা থোনবা মমিংদু ফজে হায়দনা মপানা অতোপ্পা ৱা অমা হায়বা হৌরকপা অদুদা তানীংদদুনা তাদবা। থনুংদা পুনরিবা ৱাখলগী লীচিংশিংদু খঙনদনা মতৈ মনাও ৱারী শানবনি।

মচা মঙা পোকপদু দুরুবীগী লাংফম হায়বদু ওইখ্রে। মচা পোকপা হাপ্তা ফাদ্রিঙৈ নোংমা নোং চুবা অহিং অমদা পুল্লপ শিদুনা লৈরম্মী। ননশিন্নদুনা শিৱা খঙদে নোংসু কয়া কন্না চুখ্রে। মহৌশানা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং জীব মচা শিবসিদি মীশিংসি অদুক হাক্লা নুংঙাইতবা তৌনদে। অদুবু দুরুবীনা নুংঙাইতবদু উবদা, মনম শুৎ শুৎ নমদুনা মমীৎ ইচোৎ চোৎপদু উবদা, ইমুংদু নুংঙাইতবনা পিক থল্লি। পূন্নমক নুংশুক নুংজানৈ। দুরুবীগী মমীৎকুম চোৎলি। পিগী ঈরা চেল্লি। মমানা কদাইদৈনো ঈরা চেল্লবা মমীৎতু তৈথোক্লগা করি করিনো মুরুম মুরুম শোল্লি। অদুদগী শুৎ শুৎ কপথোক্লকই। হৌনরুবা তৌদনা মচানুপী অনীদুগা পুল্লপ মখোয় অহুম মখোল থোক্লা ৱা ৱা কপই। নুংঙাইতবনা লাকহৎলবা মপাগা মচানুপা অতোনবদুগা তূমিন্না ফম্মী। ঙাইহাক তৌফম খঙদনা। অতোনবদুনি হুইগা য়াম্না নক্নরিদি। মচিঞ্জাক থাবিরিবা। ঈশিং পীথক্লিবা। মথী ময়ুং থেমদোকপীরিবা। নারে সেবা তৌবিরিবা। কুপশেন শেন্নজরিবা।

তাইবঙপানসি মরম ইখঙ খঙদবা থৌদোক ৱাথোক্লা পিক থল্লি। গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা, হার্ট ষ্ট্রোক তৌদুনা ইচাউ চাউনা চৎলম্বা অমা বোম তুদুনা হেক্তা শি। মফম মরাং খঙদবা অমা ইরৈ লৈ। মফম মরাং খঙদবসি ঐখোয়না হৈনহনখিবগী ৱাদনি। হৈনহন্দবা য়াদবা। হৈনহন্দ্রদি করি তৌনি? শিবদা লোজিক চঙদে। কোক হেক্তা শি। শিরদি লোইরে। হুইনাও মচা শিখিবা নোংমা নীনিদু কয়া নুংঙাইতে। দুরুবীদি য়েংবদা চান্ননা নুংঙাইত্রে। মমিৎ অনীদু মরোল য়াম্না লোল্লি। মচাগা মাগা লৈমিন্নরম্বা মফমদুদা কুন্দুনা অয়াম্বা মতমদা লৈ। চাবা থকপা মথ্বায় চঙদে; মনমফাও নমদে।

অয়ূক য়াহৌরকপদা খঙই। দুরুবীদু নারে। শা-ঙাগী ডাক্তর তান্নে। হীদাক থাই; কাপ্পী। দুরুবী চান্ননা নারে। মমীৎতু নুংঙাইত্রে। হীদাক লাংথক থাদুনা, কাপ্তুনা য়েংলবনিনা খরা ফগৎলক্কদ্রা, থুনা ফগৎলক্কদ্রা হায়রগা মথংগী অয়ূক্তা কোক শিরে। ওন্থোকপা হায়দুনি, মপানা খল্লি। ইমুংসি ইচিক চিকই। নিন্দে। মিংনাইদবা অৱাবনা মশা পূম্বা থুমহৎপদৌনা ফাওই।

মপাগা মচানুপা অতোনবগা অশিবা মশাদু দিসপোজ তৌনবা ম্যুনিসিপাল ওথোরিটিগা পাউ ফাওনৈ। শিরবনিনা দুরুবীসি রিকোর্দতা ২০১০গী হুই নম্বর ১৩ হায়না খঙনরে। হিংলিঙৈদা খোংদুনা, চেন্দুনা লৈজরম্বা জীবদু শিরবনিনা ওফিসকী নম্বর ওল্লে। ইচম চম্না হায়রবদা, মপা মচাগী মাঙদা তারিবা থবক হায়ববু মদু দিসপোজ তৌবনি। মপামচা মকোলদু মফম চাবা অমদা চিংথোক্লগা হান্নগী মফমদুসু, হুই মকোলদুসু শেংদোক চামথোক্লবা, শা-ঙাগী ডাক্টর তান্নদুনা হীদাক লাংথক কাপথোক্লবা খন্নে। শোমদনা মমানা ঈশৈ হল্লগা মচানুপী অনীদুনা খোম্বাংলগা তেংথা-নাওইদুনা কপ্পী। হুইনাও মচা লৈফোলহোয় শিখিবগী অধ্যায়দুফাও ঙসি অমুক নৌহৌনা চিংথোক্তুনা তেংথাবদা পল্লি। মীগা শা-ঙাগসি ওখাক নক্লবজাৎনি। য়ূমদা য়োকপা হুই শিবা ওখাক থম্মোয় কায়।

নম্বর ১৩ পুখ্রে। মপাগা মচানুপাগা গাড়ী থৌদোক্তুনা ঙাইহাক চৎথোকই। তেংথাখোল মরক্তুদা তশেংনা তৌফম খঙদবা মাল্লি। কুইদে। পুঙ্খায় অমমুক মঙাই। অনকপা দুকান অমদগী মনম নুংশিবা হকচাং সাপোন, তুথপেষ্ট, শেভিং ক্রিম করি করিনো খরা লৈরকই। মশাসু মপূক্লিংসু ইরুজথোক্লীংবগী মওংনি। দুরুবী শিখিবসি ইহাঙ হাঙই।

মপা মচা হঞ্জিল্লকপদা মমাগা মচানুপীশিংগা টি ভি য়েংমিন্নদুনা লৈরম্মী। কনানোমনা টি ভি থারুবদা নোক্লিংবা নুংঙাইবা মতাং থেংনদুনা ময়ামদু কৌশিল্লগা পূন্না য়েংমিন্নরম্বগী মতাং ওইবা তাই। পুন্সিদা কোমেদিগী মফমসি চাউনা লৈবজাৎনি। খরা লাপ্লিঙৈদা মখোয় পূন্না হৌনা নোকমিন্নবা তারক্লবনি। মপা মচাদু উবদা নোকপদু হঞ্জিনখি। অনীদু ইরু-মাইথজথোক্লবা চঙনখ্রে।

নুমিৎ য়ুংগদবা কুইদ্রে। অহাঙবা হুইকোলদু অয়ূক্কী হাইগৎলক্লিবা নুংশা মঙালদা ইহাঙ হাঙনা লেপ্পা উই।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'আ!! থম্মোয় লকানুংদগী' দগী লৌখৎচবা)**

## শৈরেং

### লৈয়েং

**—রাজকুমারি মীনা**

হৈশিংলবা মীওইবনা
মহৌশাগী কাঙলোন থুগাইরুবনা
পাপকী মশক ওইরবা
লায়না কয়া ফংলিদো।
মহৌশা লাইরেম্বীগী
চৎন-কাঙলোন চুম্না চৎপনা
শা-ঙা উচেক-ৱায়াশিংনা
পুন্সি নুংশাংনা হিংলিদো।
চারিবা চিঞ্জাক অদু য়েংলগা
মীদুগী লমচৎ খঙবা ঙমই।
হকচাং ইন্দ্রি কয়াৎ পূন্নমকপু
পুক্লা পুই হায়দুনা পুক কৌরিবনি।
পুকপু ফরবদি পূন্নমক ফরবনি।
সংসার পূম্ববু উৎ শানা মাঙহনবা ঙম্বা
কনবসু ঙম্বদি নৌরবা লৈয়েংনি।
হিংলিঙৈদা মীওইবনা
মঙ তৌবা হৌবদি
নৌরবা লৈয়েংননি হায়নৈ।
ইন্দ্রি খুদুম চনবা ঙম্নবা
অহানবদা শরূ পান্দ্রবা
নৌরবা লৈয়েংবু খুদুম চনবা তাই।

### কাকফৈ

**—অঙোম ইবোমচা**

কোননা লামনা
লামনা কোননা
লৈনা কোননা চৎলিবা
লৈনা কোননা চৎলিবী
নোংগী মচা কাকফৈ
নোংগী মচা কাকফৈ।
নারক্তবু পোকচবী
নারক্তদসু চাউজবী
কোননা লামনা চৎলিবা
কোননা লামনা চৎলিবী
নোংগী মচা কাকফৈ
নোংগী মচা কাকফৈ।
নখোঙ পাল্লি উদে-খঙদে
নমায় পাল্লিসু খঙদে-উদে
মনম লৌবা হৈবী
ঈ চূপ্পা হৈবী
শামু নাতোনদগীবু
থোইনা হেন্না ফজবী
নোংগী মচা কাকফৈ
নোংগী মচা কাকফৈ।
ঈংথম উনলেন লাকপদনা
কদাইদবু লৈবনো
নারক মোংশোং লৈতবনা
নঙগী য়াইবি মাঙবরা
কোননা লামনা
লামনা কোননা
লৈনা কোইনা চৎলিবা
লৈনা কোইনা চৎলিবী
নোংগী মচা কাকফৈ
নোংগী মচা কাকফৈ।

### ঙক্তবা ঙমদে

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

হে মীওইবা! মীনা মীবু নুংশিয়ু
শা-ষণ ফাওবা পুল্লপ লৈমিন্নে
মপীনা মচাগী হাকন চঙজবা
মীপূম খুদিং খঙলবনি
মীওইবা পূনবা য়াদ্রিবসি
মীওইবনা ঙক্তবা ঙমদে।
অমগা অমগা পূনবা য়াদ্রিবা
ৱাখল খনবা মীওইবনি লৌরুবা
অরানবা ওইনি খল্লক্লে;
অদুক ফবা মপোক ওইরগা
করিগী অমগা অমগা নুংশিনদ্রিবা?
মী অমনা মী অমবু নুংশিগদবনি
মী মহাক্লসু মী অমদু নুংশিগদবনি
নুংশিনবা হায়বসি থাদোক্লফদ্রবনি
মসিদগী মমল য়াম্বা পোৎ লৈত্রে
মীওইবগী থম্মোয়দা তোংলিবা ফত্তবা লাই
মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দগী তান্থোকখ্রসি।
চাওবা তান্নগনু
শেল পায়বা তান্নগনু
থকসি খাসি খঙনা চৎলগা
ঐখোয় মশেল নুংশিনসি
লাইনীং লাইশোল কয়াগী পাউজেল
মীপূম খুদিং লৌরসি।
মহাক অমা ফত্তবা তারবসু
নঙদি অফবা ওইয়ু
নঙ ফরবদি মখোয় ফগনি
শিগদবগী ঙাইদুনা লৈরবা মীওইবনি
অরেম্বদা মতম মাঙহন্দনা
মীয়ামগী কান্নগদবা থবক তৌরল্লসি।

### কনখ্রবা থম্মোয়

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

কল্লগে খল্লে থম্মোয়সে
অরোন-অথুপসু হায়রল্লরোই
লোৎলগে কেকু থম্মোয়গী কাচিন্দা
ফোঙগে খল্লনু কেকু,
থম্মোয়সে য়োৎ-বিলাটিমাতিতনা শারগে
মতমগী ঈচেলদা লোৎলিবা কেকু
লৈমকোলগী মহারানিগী ফিজোল
ফম্নাইবা মেম-সাহেবকী শাড়ি
থোন্নীংই লিকফাং পরেং
খূৎশা হাঙদনা খুদোপ পরেং
ইয়াইগী মনিসু থিনীংলুই
লুরিবদি ঈরোইবা হৈহৌদে।
থম্মোয়গী শেংলবা লাইজ ঈশিং
অয়ূক্কী লিক্লা খুজোক খুজোক
তম্লিংই ঙম্নমক নফমদা।
মতম কৌবী ইমাও
নচাদি তুফক তুফাই চল্লবা
লমহাংনরবা লম্বীদা তাউরি।
থম্মোয় ময়ি চৎলবা
মীৎয়েংগী ৱাঙমদা লমহেল্লবা
ঙমগনি থম্মোয়সে কনখ্রবা,
লানখিদে থম্মোয়সিনা নফমদা
লাল্লিবদি মহারানিগী মেম সাহেবকী
ফিগে ফনেক লিকফাং পরেং
কৎচবা ঙমখিদবা মীপাংদা ওইরুবগী,
ৱাখলসু য়াঙই থম্মোয়সু থৌই
তারিবা নাকোংসু মথৌ তৌরি
মীৎসু উরি অমম্বদা
মনম মহাউ খঙলি
থম্মোয়না থম্মোয়দা পাউখোঙ চনজরি।